# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, AUGUST 02, 2018 **PAGE 7**



*ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলদা শান্নরম্রবা মতুং লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ক্লব সেফিল্ডদা লোন ওইনা শান্নগদৌরিবা ৱেলস মচা মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবা বেন ৱুদবর্ন*

*ইন্দিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হায়জরকপদগী নেসনেল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী মীওই ৬ না শান্নবা পেনেলদা য়াওখ্রবা মমাঙদা ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেটকী মমিং লৈরবা বেটসমেন ওইরম্লবা বিরেন্দ্র সেৱাগ*



## ইন্দিয়ানা ইটালিবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা আয়রলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি, ইংলেন্দসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*ইন্দিয়া অমসুং ইটালিগী শান্নরোইশিংনা ৱুমেন্স হোক্কি ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা বোল মুন্নখিবা*

*লন্দন, ওগষ্ট ০১ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না ইটালিবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইদুনা ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা আয়রলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি। য়ুম্বু ইংলেন্দসু সাউথ কোরিয়া থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং ইটালিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

অহানবা ক্বার্টরগী ৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই লালরেমসিয়ামীনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ইটালিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু মায়কৈ অনীদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইন্দিয়ানা ইটালিবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি।

পাঞ্জল ওইবা য়াবগী খুদোং চাবা লৈখিবা পেনাল্টি কোর্নর অদু টিম অসিগী শান্নরোই নেহা গোয়লনা পাঞ্জল ওন্থোক্নুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ইটালিবু পাঞ্জল ২–০ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

ইটালিগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অনী হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই ভন্দনা কটারিয়ানা পাঞ্জল ওন্থোক্নুনা ইটালিবু পাঞ্জল ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৫ রোমগী মতম অদুদা ইটালিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ইটালিবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইদুনা আয়রলেন্দগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱার্ল্ড কপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইংলেন্দনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকা লম্বা তৌনরগনি।

ইংলেন্দ অমসুং সাউথ কোরিয়ানা ঙরাং শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু য়ুম্বু লৈবাক ওইখিবা ইংলেন্দনা হৌবদগী হৌনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই সোফি ব্রেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চন্দুনা সাউথ কোরিয়াবু ১–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্ননবা হোৎনখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু ইংলেন্দনা সাউথ কোরিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থারগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু স্কোর বোর্দতা টিম অনীগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্কদৌরবা মিনট অমদা ঙাইরবা মতমদা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই লিলি ওসলিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাক্নুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বি স্রিকান্থ নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, প্রনোই লৈহৌরে



*নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বি স্রিকান্থ*

*নানজিং (চাইনা), ওগষ্ট ০১ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবী বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধুগা লোয়ননা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ বিদব্লিয়ুএফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই লৈহৌরে।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা গেম অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরক্নুনা শান্নরকখ্রবসু ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা গেম অদু ২১–১৪ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা ইন্দোনেসিয়াগী ফিত্রিয়ানিবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১–৯ কোম্না থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ভিয়েটনামগী ভু থি ত্রাংবু ২১–১০, ২১–১১ দা থোইরম্বী ৯শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থনা ৫শুবা সিদেদ ওইদুনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী পাব্লো এবিয়ানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং গেম ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা শোথদুনা লৈরিবা স্পেনগী এবিয়াননা অনীশুবা গেম অদুদা কন্না হোৎনরক্নুনা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থপু ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা ইন্দিয়াগী স্রিকান্থনা স্পেনগী পাব্লো এবিয়ানবু ২১–১৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইজরলেগী এম জিলবরমেনবু ২১–১৬, ২১–১৬ দা থোইরম্বা মালেসিয়াগী লিয়ু দারেনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী শান্নরোই লুইস পেনালভরনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১১ দা থোইরম্বগী লৈহৌখি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী পেয়র এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি ৮শুবা সিদেদ পেয়র দেনমার্ককী অষ্ট্রুপ অমসুং রাসমুসেননা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৮, ১৫–২১, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং বি আর রেদ্দিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী ইনৌ অমসুং কানেকোগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ২৪–২২, ১৩–২১, ১৬–২১ দা মায়থিহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনাগী হুৱাংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–৮ দা থোইরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ইষ্টোনিয়াগী রাউল মষ্টপু ২১–১৮, ২১–১৮ দা থোইরম্বা হোংকোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসকা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাক সিটি ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, দোনাল্ড য়ংনা ষ্টান ৱারিনকা থোইখ্রে



*সিটি ওপনগী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটাক*

*ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০১ঃ*

ইন্দিয়া দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাক য়ুএসএদা চথরিবা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, এক্সপরিয়েন্স লৈরবা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা য়ুএসএগী ডোনাল্ড য়ংনা অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা পীখ্রে।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অর্টেম সিটাকনা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং য়ুএসএগী জেমস সেরাটানিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌরবা মতুং ৭–৬(৭–২), ৬–৩, ১০–৭ তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী ডোনাল্ড য়ংনা মশান্না অসিদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

সাইপ্রসকী মার্কোস বাগদাটিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী বেনোইট পাইরেবু ৬–৩, ৩–৬, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

সিটি ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী পিয়েরি হর্বর্টনা য়ুএসএগী মিটচেল ক্রুগরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা কানাদাগী ভাসেক পোস্পিসিলবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৭(৬–৮), ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ফ্রান্সকী ভিন্সেন্ট মিলোইনা ঙসি শান্নখিবা সিটি ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী দেনিল মেদভেদেভনা জপানগী য়োসুকে ৱাটানুকিবু ৩–৬, ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

য়ুএসএগী জারেদ ডোনাল্ডসননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবারাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দান থোমসনবু ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

য়ুএসএগী দেনিস কুদলানা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী লুকাস লেককোবু ৬–৭(৩–৭), ৬–১, ৬–৪ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

## মণিপুরগী ফুটবোল্লর বিপিন সিংহ মুম্বাই এফসিদা শান্নবগীদমক সাইন তৌখ্রে

*মুম্বাই, ওগষ্ট ০১ঃ*

মণিপুরদগী হৌখিবা ফুটবোল শান্নরোই বিপিন সিংহ ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা মুম্বাই এফসিদা শান্নবগীদমক সাইন তৌখ্রে।

বিপিন সিংহ মশান্না অসিদা হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক ৱাঙ্গোইগী ক্লব ৱাফাদা চহী ৩ শান্নবা য়াওখি। মদুগী মতুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবতা শান্নখিবনি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা বিপিন সিংহ এটলেটিকো দি কোলকতাদা শান্নরম্লবনি। ক্লব অসিদা শরুক য়াদুনা মেটচ ৪ শান্নখিবদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৭–১৮ সিজনগী ইন্দিয়ান সুপর লীগতা মুম্বাই সিটি এফসিনা মেটচ ১৮ শান্নখিবদা শুপ্নগী মেটচ ৭ মায় পাক্নুনা লীগ অসিগী টেবলদা ৭শুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

মুম্বাই সিটি এফসিনা মমাঙদা ক্লব অসিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক অনৱার আলি, সুভাসিস বোস সৌভিক ঘোস অমসুং মোহমদ রাফিকসু সাইন তৌবা লৈখ্রে।

## কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম্মু অফ্রিকাগী ক্লব মোরিটিয়ানিয়ানা ৩–০ দা থোইখ্রে



*স্পেনগী কোটিফ কপ ফুটবোলদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম*

*মাদ্রিদ, ওগষ্ট ০১ঃ*

স্পেনদা চথরিবা কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম অফ্রিকাগী ক্লব মোরিটানিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম্না পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং মোরিটানিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্ননা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী শান্নরোই অসি চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা শান্নরোই অমদি চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিংনা পুল্লগা শেমখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৪–২–৩–১ ফোর্মেটিতা শান্নদুনা অনিকেট যাদবপু সেন্টর ফোরৱোর্দ ওইনা শান্নহন্দুনা অফ্রিকাগী ক্লব মোরিটানিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক তৌশিল্লকপা কয়া থিংদুনা থমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা কোটিফ কপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা স্পেনগী ক্লব মুরসিয়াগী মখুত্তা পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিহৌবনি।

শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা অমরজিৎ সিংহনা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা নাম্থোকহনখি।

শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা মোরিটানিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী পেনাল্টি বোক্স ময়াদা ফংখিবা ফ্রি কিক অমদা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মোরিটানিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনহনবা ঙমদনা থমখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা মোরিটানিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা সেন্টর ফোরৱাদ শান্নরিবা অনিকেট যাদবনা ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙহনখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা টিম অদুনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম্মু পাঞ্জল ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা মোরিটানিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মোরিটানিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা থা অসিগী ৩ দা ভেনিজ্বেলাগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমগা শান্নরবা মতুং টুর অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা ওগষ্ট ৫ দা ফুটবোল মশান্নদা মমিং লৈরবা আর্জেন্টিনাগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমগা শান্নগনি।

## হান্নগী ইন্দিয়াগী ক্রিকেট্টর বিরেন্দ্র সেৱাগ নাদাগী পেনেলদা য়াওখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী হান্না মমিং লৈরবা ক্রিকেট্টর ওইরম্বা বিরেন্দ্র সেৱাগ ইন্দিয়াগী নেসনেল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সি (নাদা) গী পেনেলদা য়াওখ্রে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্দন রাথোরনা হায়জরকপগী মতুংইন্না মীওই ৬ না শাবা নাদাগী পেনেল অসিদা য়াওখিবনি। সেৱাগনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবদা পেনেল অসিদা অতোপ্পা ওলিম্পিয়ান অমা য়াওহন্নবা হায়জখিবা লৈখি।

সেৱাগনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দোপ্পিং কেসকা মরী লৈনবশিংদি হান্নগী ওলিম্পিয়ান অমনা হেন্না খঙগনি। মরম অদুনা ক্রিকেট্টরগী মহুত্তা ওলিম্পিয়ান অমা পেনেল অসিগীদমক খন্নবা হায়খিবনি।

মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী হান্নগী বেটসমেন অসিদা ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরনা হজ্জিন–হজ্জিন হায়জরকখিবদগী নাদাগী পেনেল অসিদা শরুক য়ানবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা এদিএপিগী অহানবা হিয়ারিং অনী পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা নৌনা নাদাগী পেনেল ওইনা খনখ্রবা বিরেন্দ্র সেৱাগতা নাদাগী মায়কৈদগী খঙহল্লকপা অমত্তা লৈত্রি।

করিগুম্বা নাদাগী মায়কৈদগী মঙোন্দা খঙহল্লক্লবদি ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বরদা চথগদৌরিবা হিয়ারিং অনী অসিদা মহাকসু শরুক য়াগনি হায়না সেৱাগনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেৱাগনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না নাদাগী পেনেলদা য়াওগদৌরিবা অসিগী চপ চাবা মতম চহী অমরা নৎত্রগা অনীরা হায়বদু খঙদ্রি মরম অদুনা মসি মহাক্না থিদোকপা মথৌ তারি হায়খি।